# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, MAY 02, 2019 PAGE 7





*ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংদা পীবা খ্বাইদগী মকোক থোংবা মনা ওইরিবা খেল রত্ন এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রবা হোক্কীগী গোলকিপর শ্রিজেস*

*চখ্যরিবা বুন্দেলীগা সিজন অসি লোইরবা মতুং মশান্না অসিদগী পোত্থারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা জর্মনিগী গোলকিপর রেনে এদলর*




## মণিপুরগী হোক্কী শান্নরোই চিংলেনসন্না হোক্কী ইন্দিয়ানা আর্জুনা এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ০১ঃ*



মণিপুরগী নুপা হোক্কী শান্নরোই কাঙুজম চিংলেনসন্নাদা হোক্কী ইনিদয়ানা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংদা পীবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা মনা আর্জুনা এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে।

কাঙুজম চিংলেনসন্না ইন্দিয়াগী টিমদা কুমজা ২০১১ দগী শরুক য়ারকপদা ইন্টরনেসনেল মেটচ ২০০ হেন্না শান্নখ্রে। মহাক্লা মশান্না অসিদা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুগীদমক শকখঙবীদুনা হোক্কী ইন্দিয়ানা আর্জুনা এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখিবনি। চিংলেনসন্না হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমগী ভাইস কেপ্টেন ওইরিবনি।

চিংলেনসন্নানা শরুক য়াদুনা কুমজা ২০১৩ এসিয়া কপ্তা সিলভর মেডল ফংখি, কুমজা ২০১৪ এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেডল, কুমজা ২০১৪ কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা সিলভর, কুমজা ২০১৭ এসিয়া কপ্তা গোল্ড মেডল, কুমজা ২০১৭ এফ আই ঐচ ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেলদা ব্রোঞ্জ মেডল, কুমজা ২০১৮ চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা সিলভর, কুমজা ২০১৮ এসিয়ান গেমসতা ব্রোঞ্জ অমদি কুমজা ২০১৮ দা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা গোলকিপর পি আর শ্রিজেসতা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংদা পীবা খ্বাইদগী চাওবা মনা রজিব গান্ধী খেল রত্ন এৱার্দকীদমক হোক্কী ইনিদয়ানা রিকমেন্দ তৌখ্রে।

শ্রিজেস মালেমগী খ্বাইদগী ফজবা গোলকিপর ওইনা শিংথানরি। মহাক ইন্দিয়াগী টিমদা অহানবা ওইনা কুমজা ২০০৬ গী শ্রী লঙ্কাদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ান গেমসতা শরুক য়াবা হৌখি।

মশাগী চহী ৩০শুরবা কেরলা মচা শ্রিজেসনা ইন্টরনেসনেল মেটচ ২০০ গী মথক্তা শান্নখ্রে। মহাক্লা কুমজা ২০১৪ অমদি ২০১৮ ৱার্ল্ড কপ লোয়ননা ২০১২ অমদি ২০১৬ ওলিম্পিক গেমসশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শান্নখি। কুমজা ২০১৪ দা শ্রিজেসপু ফেদরেসন ওফ ইন্টরনেসনেল হোক্কীনা বেষ্ট মেল গোলকিপরগী মনা পীদুনা ইকাই খুম্নখি।

মহাক্লা গোলকিপর ওইবগা লোয়ননা কেপ্টেন ওইদুনা শান্নরকপদা কুমজা ২০১৫ দা আর্জুনা এৱার্দ ফংখি, অদুগা কুমজা ২০১৭ দা পদ্মা শ্রী এৱার্দ লৌখি।

চিংলেনসন্নাগা লোয়ননা আর্জুনা এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি নুপাগী টিমদা ফোরৱার্দ শান্নরোই ওইরিবা অকাসদিপ অমদি নুপীগী হোক্কী টিমদা দিফেন্দর অমা ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা দিপিকানি।


মশাগী চহী ২৪শুবা অকাসদিপ সিংহ মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা ইন্টরনেসনেল মেটচ ১৭০ হেন্না শান্নখ্রে। মহাক্লা কুমজা ২০১২ দা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকপনি।

নুপীগী হোক্কী টিমগী দিফেন্দর কুমজা ২০০৬, ২০১০ অমদি ২০১৮ গী ৱার্ল্ড কপ ইদিসনশিংদা ইন্দিয়া টিমদা রিপ্রজেন্ট তৌখ্রে। দিপিকা ইন্টরনেসনেল মেটচ ২০০ হেন্না শান্নখ্রে। কুমজা ২০১৭ গী এসিয়া কপ্তা মহাক্লা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

হোক্কী ইন্দিয়ানা আর পি সিংহ অমদি সন্দিপ কোরবু ধ্যন চান্দ লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে। অদুগা কোচ বালজিৎ সিংহ, বি এস চৌহান অমদি রোমেস পাথানিয়াবুনা দ্রোনাচার্য্য এৱার্দকীদমক প্রপোজ তৌখি।

## ইন্দিয়াগী ক্লব চেন্নাইন এফ সি না বাংলাদেশকী ক্লব অবাহানি ধাকাবু ১-০ দা থোইদুনা গ্রুপকী মকোক্তা লৈখ্রে

*অহমেদবাদ, মে ০১ঃ*



এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন কপ ( এ এফ সি) গী ইন্টর জোন প্লে-ওফ সেমি ফাইনেল ক্বালিফাই ওইননবা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ক্লব চেন্নাইন এফসিনা বাংলাদেশকী ক্লব ধাকা অবাহানিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

পনবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না গ্রুপ অমমমদগী মকোক থোংবা টিম অদুনা ইন্টর জোন সেমি ফাইনেল প্লে-ওফ শান্নবা ফংগদৌরিবনি।

গুজরাটকী সিটি অহমেদবাদতা লৈবা দি এরেনা ষ্টেদিয়মদা ইনিদয়াগী ক্লব চেন্নাইন এফসি অমদি বাংলাদেশকী ক্লব ধাকা অবাহানিগা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী ২শুবা মিনটতা ধাকা অবাহানিগী শান্নরোই রুবেন মিয়ানা কাওরকখিবা কোর্নর কিক অমদা টিমমেট করভেন্স বেলফোটনা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবা অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা মায় পাকহনবা ঙমখিদে।

শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা চেন্নাইনগী শান্নরোইশিং মেলসন অলাভেসনা সাফু কনবা হেদ্দিং অমা তৌরকখিবা অদু ধাকাগী গোলকিপর সাহিদুল অলামনা নীংথিনা ফাবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঙ্গল শীজিন্দুনা লাকখ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা ধাকা অবাহানিগী শান্নরোইশিংনা চথ্যরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোইনা ফংখিবা ফ্রি কিক অমদা নেৱাজ জি বোননা কাওশিনবদা চেন্নাইনগী গোলকিপরনা নীংথিনা ফাবা ঙমদুনা পাঞ্জল ওইহনখিদে।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথ্যরকখিবা এটেক অমদা ধাকা অবাহানিগী শান্নরোই ব্রাজিল মচা ৱেল্লিংটন প্রিওরিনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু চেন্নাইননা ধাকা অবাহানিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইরম্লগা গ্রুপ অসিদা পুন্না পোইন্ট ৭ ফংদুনা মকোক ওইবা ঙমখি।

এ এফ সি ইন্টর জোন সেমি ফাইনেল প্লে-ওফকী ক্বালিফায়িং রাউন্দ অসিগী ঙসি ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী ৩শুবা মেটচ অমদা ইনদয়াগী ক্লব মিনর্ভা পঞ্জাব অমদি নেপালগী ক্লব মানাঙ মার্সিয়াংদি পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎখি।

শান্নবগী ২শুবা মিনটতা মিনর্ভা পঞ্জাবকী শান্নরোই শ্রেয়াস গোপালাননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা ৬৯শুবা মিনটতা নেপালগী ক্লব মানাঙ মার্সিয়াংগী শান্নরোই অভিসেক রিজালনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নখি। শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা মিনর্ভা পঞ্জাবনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা কারিম ওমোলাজানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজি থাখি।

মেটচকী অরোইবা মিনটতা নেপালগী ক্লব মানাঙ মার্সিয়াংগী শান্নরোইশিংনা চথ্যরকখিবা এটেক অমদা সোমিদে এদেলাজানা পাঞ্জল অমা চনশিনখিবদগী মেটচ অদু ২-২ দা দ্রো চৎখি। গ্রুপ 'দি' দা ইন্দিয়াগী ক্লব মিনর্ভা পঞ্জাবনা মেটচ ৩ শান্নখিবদা পোইন্ট ৩ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

### ক্রোসৱার্দ ১৪৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | A | F | T | | A | B | A | B | | | V | A | N | E |
| I | S | L | E | | R | E | D | O | | C | O | L | O | R |
| F | E | A | T | | B | R | O | O | M | H | I | L | D | A |
| F | A | S | H | I | O | N | | H | I | E | D | | | |
| | | H | E | R | R | | B | O | D | S | | B | A | T |
| | A | G | R | A | | B | L | O | W | T | O | R | C | H |
| H | M | O | | N | E | R | O | | A | S | P | E | R | A |
| A | P | R | S | | S | A | N | D | Y | | S | N | O | W |
| R | E | D | A | C | T | | D | O | S | E | | D | S | S |
| P | R | O | P | H | E | T | I | C | | L | E | A | S | |
| Y | E | N | | U | L | E | E | | A | L | A | S | | |
| | | | E | R | L | E | | S | T | A | R | T | E | D |
| L | I | T | T | L | E | N | E | M | O | | N | A | T | E |
| I | C | O | N | S | | S | T | E | M | | E | R | T | E |
| L | E | N | A | | | Y | E | W | S | | D | R | A | T |

## য়ু-১৭ নেসনেল টিম ত্রেনিং কেম্পকীদমক নুপী শান্নরোই ৩৪ সোর্টলিষ্ট তৌখ্রে

*কোলহাপুর, মে ০১ঃ*

থা অসিগী ৪ দগী হৌরগা থা অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু-১৭ নেসনেল টিম ত্রেনিং কেম্পকীদমক নুপী শান্নরোই ৩৪ সোর্টলিষ্ট তৌখ্রে।

সোর্ট লিষ্ট তৌখ্রবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ২ দা ত্রেনিং পাঙথোকফম ওইরিবা গোৱাদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি। চথ্যগদৌরিবা নেসনেল টিম ত্রেনিং কেম্প অসি মথং চহীদা ইনিদয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০২০ ফিফা ৱুমেন্স য়ু-১৭ ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়ানবগীদমক্তনি।

নুমিৎ ১১ নি চঙনা পাঙথোকখিবা সোর্টলিষ্ট অদুদা সেনিয়র ৱুমেন্স টিমগী কোচ মেমোল রোক্কী, এসিষ্টেন্ট কোচ চাওবা দেবী অমদি য়ু-১৯ ৱুমেন্স টিমগী কোচ এলেক্স এম্ব্রোসসু শরুক য়াখি। মদুদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ১৩ দগী শান্নরোই ৩৪ সোর্টলিষ্ট তৌরগা শান্নরোই ১৩ না রিজার্বতা থমখি।

সোর্টলিষ্ট তৌখ্রবা শান্নরোইশিং ৩৪ গী মনুংদা মণিপুরদগী ৭ য়াওরি। শান্নরোই ৭ অমনা হিমাচর প্রদেশতগীনি। শান্নরোই ৪ না জুনিয়র গালর্স নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা রন্নর্স অপ তাহৌরবা ঝারখন্দগীনি মসিদা ষ্টেট অসিগী টোপ স্কোরর সুমতি কুমারী য়াওরি। খনগৎলবা শান্নরোইশিং অসিগী মনুংদা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন তামিল নাদুগী ষ্ট্রাইকর মেরিয়ামালসু য়াওরি।

## ইন্দিয়াগী সুট্টর অপুর্ভি চান্দেলানা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল রেঙ্কিংদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ০১ঃ*



ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর অপুর্ভি চান্দেলানা ইন্টরনেসনেল সুট্টিং ফেদরেসন (আই এস এস এফ) না ঙসি থাদোরকপা রেঙ্কিং লিষ্টতা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাফইলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রে, অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী সুট্টলর অঞ্জুম মোদগিলসু মিটর ১০গী এয়র রাইফল অসিদা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

অপুর্ভি চান্দেলানা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা আই এস এস এফ সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা মমাঙদা লৈরম্বা রেকোর্দকা মান্ননা পোইন্ট ২৫২.৯ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

চান্দেলা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা গ্লাসগো কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৮ দা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

কুমজা ২০১৮ দা ইনেদানেসিয়ানা য়ুম্ভু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসতা অপুর্ভি চান্দেলানা মিটর ১০গী এয়র রাইফল মিক্স টিমদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

মশাগী চহী ২৬শুরবী অপুর্ভি চান্দেলানা হন্দক্তা চাইনানা য়ুম্বু ওইরগা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ্তা পুন্না স্কোর ২০৭.৮ তৌদুনা মরিশুবা পোজিসন তাহৌরবসু কুমজা ২০২০ দা জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল কেটেগোরিদা ৱার্ল্ড নম্বর টুদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর অঞ্জুম মোদগিলনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা বৈজিংগী আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ্তা মিক্স টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী সুট্টর মনু ভাকর মিটর ২৫ গী পিস্টোল ইভেন্টকী কেটেগোরিদা ৱার্ল্ড নম্বর ১০ দা লৈরি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী দিভ্যান্স সিংহ পনৱার বৈজিংগী ৱার্ল্ড কপ অদুদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল কেটেগোরিদা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংগী ৪শুবা পোজিসনদা কাখৎপা ঙমখি।

দিভ্যান্স সিংহ পনৱারনা বৈজিংগী ৱার্ল্ড কপ অসিদা মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইন্দিভিজুয়েল অমদ মিক্স টিমদা গোল্ড মেডল ২ লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর অভিসেক ভর্মা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমদুনা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংগী অহুমশুবদা হাইগৎখি।

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা সুট্টর সৌরভ চৌধারিসু মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলগী কেটেগোরি অসিগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৬শুবদা লৈবা ঙম্লি।

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা নুপা সুট্টর অনিস ভনৱালাসু মিটর ২৫গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল কেটেগোরিদা ১০শুবা মফম কনবা ঙমখি।

## প্রনিথ অমদি প্রনোই নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, সাইনা অমদি লক্ষ্য অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে

*ওকলেন্দ, মে ০১ঃ*



ন্যু জিলেন্দগী সিটি ওকলেন্দদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা য়ু এস দোল্লর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী নুপা শান্নরোই প্রনিথ অমদি প্রনোই সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, নুপীগী শান্নরোই সাইনা নেহৱাল অমদি নুপা শান্নরোই লক্ষ্য সেন অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।

ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সুভাঙ্কর দেবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১-১৭, ১৯-২১, ২১-১৫ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ৭শুবা সিদেদ চাইনাগী লিন দানগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই প্রনোইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সিঙ্গাপোরগী শান্নরোই লোহ কিন য়্যুগা লম্বা তৌনবদা প্রনোইনা ২১-১৫, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ২শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী টোমী সুগিয়ার্টোগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোই লক্ষ্য সেন চাইনিজ তাইপেগী ৱাং ঝু ৱৈগী মখূত্তা ২১-১৫, ১৮-২১, ১০-২১ দা মায়থিহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ ওইখিবা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী ৱাং ঝিয়িগী মখূত্তা ১৬-২১, ২৩-২১, ৪-২১ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই অনুরা প্রভুদেসাই ৱার্ল্ড নম্বর ১৫ চাইনাগী লি জুরোইগী মখূত্তা ৯-২১, ১০-২১ দা মায়থিহৌখি।


নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী পেয়র মনু অত্রি অমদি সুমিত রেদ্দিনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ন্যু জিলেন্দগী পেয়র জোসুৱা ফেং অমদি জেক জিয়াংবু ২১-৭, ২১-১০ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপীগী দবলসকী পেয়র সিক্কী রেদ্দি অমদি আস্বিনি পোনাপ্পা অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী পেয়র লিয়ু জুৱানজুৱান অমদি জিয়া টুটংগী মখূত্তা মায়থিহৌখি।

## এজাক্সনা টোটেনহাম হোটস্পরবু সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগতা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনহনখ্রে

UEFA CHAMPIONS LEAGUE

*লন্দন, মে ০১ঃ*



য়ুরোপ্তা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা নেদরলেন্দসকী ক্লব এজাক্সনা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনহনখ্রে।

লন্দনদা লৈবা টোটেনহাম হোটস্পর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা চেম্পিয়ন লীগকী সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা লাকখি।

অদুবু শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী ক্লব এজাক্সকী শান্নরোইশিংনা চথ্যরকখিবা এটেক অমদা দোন্নী ভান দি বিকনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাহনবা ঙমখি।

পাঞ্জল শোত্থদুনা লৈরিবা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা এজাক্সকী মায়োক্তা এটেক কয়া চথ্যদুনা ইক্বেলাইজর ওইনবা হোৎনরকখি। অদুবু এজাক্সকী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না ফজবা শান্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল হনেদাকপা ঙমদনা থমখি।

অহানবা হাল্ফকী মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী এজাক্সনা টোটেনহাম হোটস্পরবু ১-০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক অমনা অমগী মায়কৈদা এটেক কয়া তৌদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু শান্নবগী মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু নেদরলেন্দসকী এজাক্সনা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনহনখি।

য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্সিপ লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনা অমদি ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুল শান্নরগনি।

অতোপ্পা পাও অমদা ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মোন্টেপিলিয়রনা পেরিস সেন্ট জর্মেনবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীরমখি।

শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা মোন্টেপিলিয়রগী শান্নরোই এম্ব্রোইজ ওয়োঙ্গোনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা পেরিস সেন্ট জর্মেননা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২১শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোই প্রেসনেল কিম্পেম্বেনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা ১-১ দা মান্নরবা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোই এঞ্জেল দি মারিয়ানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থাখি। ৮০শুবা মিনটতা মোন্টেপিলিয়রগী শান্নরোই এন্দি দেলোর্টনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ২-২ দা মান্নখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা মেন্টেপেলিয়রগী শান্নরোইশিংনা চথ্যরকখিবা এটেক অমদা সৌলেমানে কামারানা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ক্লব ওইরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীরমখি।